# রসিয়ন ট্রুপশিংং চারনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট থাদোকখ্রে: য়ুক্রেন



কিভ, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): চারনোবিলদা লৈবা হান্নগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট পায়শিল্লন্বা রসিয়ন ট্রুপশিংং মফম অদু থাদোকখ্রে হায়না প্লান্ট অদুগী ষ্টাফনা হায়রি।

য়ুক্রেনগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়র কম্পেনি ইন্নরগোটোমগী মতুং ইন্না প্লান্ট অদুগী ষ্টাফনা মফম অদুদা মপানগী মীওই অমত্তা হৌজিক লৈত্রে হায়না ফোঙদোরক্লে।

মদুগী মমাঙদা রসিয়ন ফোর্সশিংং বেলারসিয়ন বোর্দর তম্না চৎখিবদগী ট্রুপ খরদমক লৈহৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইন্নরগোটোম্না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিনা রসিয়ন ফোর্সশিংং ৱিদ্রো তৌখ্রে হায়বা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুএসকী সেনিয়ার দিফেন্স ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখিবা রিপোর্টশিংং কনফার্ম তৌখ্রে। ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান দাবা হৌখিবগা লোয়ননা রসিয়ন ট্রুপশিংনা চারনোবিল পায়শিনখিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ইন্নরগোটোমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ুক রসিয়ন ট্রুপশিংনা মখোয় চারনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট থাদোক্লগনি হায়না লাউথোরকখি।

কম্পেনি অসিনা মতুং তাবদা রসিয়ন মিলিটরিবু লান হৌবদগী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা য়ুক্রেনিয়ন নেসনেল গার্দকী মীওইশিংং ফাখি হায়না মরাল শীখি। ইন্নরগোটোম্না পাউ অসি প্লান্ট অদু ৱার্করশিংদগী লৌখিবনি অমসুং ফাখিবা মেম্বরশিংগী মশিং পনখিদে। চারনোবিল এক্সক্লুজন জোনগী খ্বাইদগী হেন্না কন্টামিনেসন ৱাংবা মফমদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা কোমসাং তৌখি হায়বা পাউসু কম্পেনি অসিনা কনফার্ম তৌখি।

কনফার্ম তৌদবা রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না প্লান্ট অদুগী এক্সক্লুজন জোনদা রেদিএসনদা এক্সপোজ তৌখিবা মীওই কয়া বেলারসতা ট্রিটমেন্ট চথুরি। প্লান্ট অদুগী ৱার্কর খরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লাম্মী খরদি মখোয় রেদিএসন জোন অমদা লৈরিবনি হায়বসি খঙজখিদে।

অদুম ওইনমক রসিয়ন মিলিটরিনা হায়খি, মদুদি প্লান্ট অদু পায়শিল্লবা মতুংদা মফমদুগী রেদিএসন লেভেল অদু নোর্মেল রেঞ্জ মনুংদা লৈখি। ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আইএইএ) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মদুদি এজেন্সি অসিনা রিপোর্টশিংং অদু কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি। এক্সক্লুজন জোন অদুগী চার্জ পুরিবা য়ুক্রেনগী এজেন্সি অদুগী রিপোর্ট য়েভহেন ক্রামারেঙ্কোনা হায়খি, মদুদি রেদিএসনগী লেভেল নোর্মেল ওইরন্বা য়াবগী মওং উই। খুদোংথীনিংঙাই ওইবা য়াবগী ফিভম অমত্তা উবা ফঙখিদে।

অদুমক ওইনমক রেদিএসন লেভেল দিটেক্ট তৌনবগী সেন্সরশিংং মথৌ তৌদবদগী ষ্টাফনা ফেসিলিটিশিংং অদু চ্যেক তৌবা মথৌ তাখি। আইএইএগী মকোক্না হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা এজেন্সি অসিনা মথংগী নুমিৎ খরনিগী মতুংদা চারনোবিল প্লান্টদা মিশন অমা থাবগী মতাংদা য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংগা ৱা তান্নরি।

# ফ্রেন্দলি ওইদবা বায়রশিংনা রুবলদা পেমেন্ট তৌদ্রবদি গ্যাস সপ্লাই কন্ট্রেক্ট টর্মিনেট তৌরগনি: রসিয়া



মোস্কো, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): ফ্রেন্দলি ওইদবা লৈবাকশিংং অমসুং রিজনশিংগা নেচরেল গ্যাস লল্লোন ইতিক তৌনবদা চৎনগদবা অনৌবা রুলশিংগী মতাংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা শগোলশেল নুমিত্তা দিক্রি অমা সাইন তৌখ্রে।

রুলশিংং অদুগী মতুংইন্না বায়রশিংং অদুনা রসিয়ন করেন্সি রুবলদা পেমেন্ট তৌদ্রবদি হৌজিক লৈরিবা কন্ট্রেক্টশিংং থিংজিনগনি।

গভর্নমেন্ট মীটিং অমদা পুটিননা হায়খি, মদুদি ঙসি ঐহাক্না দিক্রি অমা সাইন তৌখি। রসিয়াগী নেচরেল গ্যাস লৈনবগীদমক্তা বায়রশিংনা রসিয়ন বেঙ্কশিংদা রুবল একাউন্টশিংং হাংগদবনি।

এপ্রিল ১ দগী একাউন্টশিংং অসি শীজিন্নদুনা মখোয়না গ্যাস সপ্লাইগী মমল পীগদবনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা পেমেন্টশিংং অসি তৌদবা তারবদি ঐখোয়না বায়রশিংগী অশোয়বনি হায়না লৌদুনা মদুদগী লাকপা মতুং তাবা পামদবা ফিভমশিংগী থৌদাং মখোয়না য়াজগদবনি। ঐখোয়না মমল লৌদনা পোৎ অমত্তা য়োনেদ। লোয়ননা ঐখোয়না চেরিটিসু তৌরোই।

পুটিননা মীটিং অদুদা মখা তানা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ফাইনান্সিএল সিষ্টেমবু খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরি। মখোয়গী কম্পেনিশিংনা রসিয়ন এন্টিটিশিংং অমসুং ইন্দিভিজুএলশিংগা তৌনবা কন্ট্রেক্টশিংং থুংহল্লু হায়বা য়াদনা লৈরি। য়ুএসকী দোল্লর অমসুং য়ুরোদা লৈবা রসিয়ন এসেটশিংং ফ্রিজ তৌরবা মতমদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী করেন্সিশিংং শীজিন্নবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়নসু পুটিননা ফোঙদোকখি। রসিয়ন গ্যাসকী পেমেন্টশিংং রুবলদা ট্রান্সফর তৌবা হায়বসি ফাইনান্সিএল অমসুং ইকনোমিক সোভরেন্টি চেৎশিলহন্নবগী মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইমরান খানগী গভর্নমেন্ট চিংথুনবগী লৌতুনবদা ওপোজিসন লিদর খরা চেন্নরে: মিনিষ্টর



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): হৌজিক লৈরিবা পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্ট অসিবু চিংথুনবা মালেমগী থাক্তা চথুরিবা লৌতুনবদা ওপোজিসনগী লুচিংবা খরা চেন্নরে হায়না লৈবাক অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর ফাৱাট চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

কন্সটিট্যুসন্না য়াবা মওংদা গভর্নমেন্ট তুহন্নবা হোৎনবা ওইরবদি থোইদোকপা ইস্যুশিংং লৈরম্লোই। তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্ট চিংথুনবগী লৌতুনবা অসিদা ওপোজিসন লিদর খরা চেন্নরে। মখোয়না ফোরেন ফোর্সশিংগী ৱা তারগা থবক তৌরি হায়না ইস্লামাবাদতা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৌধুরিনা হায়খি,মদুদি লৌতুনবা অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু ওফিসতগী লৌথোকপনি। মখোয়গী ঈহৌ অসি মরম চাবা অমদি লোনা য়াবা ওইরবদি করিগীদমক্তা ওপোজিসন্না মীটিংশিংং বোয়কোট তৌরিবনো হায়নসু মহাক্না হংখি।

লৌতুনবা অদুদা ওপোজিসনগী লুচিংবা পুম্নমক্তি চেন্নবা নত্তে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টবু য়ানিংদ্রিবা পিটিআইগী এমএনএশিংনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি খঙজরমদবা য়াই। হৌজিক্তি ওপোজিসনগী মায়কৈদা লেপখ্রবা পিটিআইগী এমএএশিংনা মসি মরম চাবা অমসুং লোনা য়াবা ঈহৌ অমনি হায়না খঞ্জরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মখোয়না খল্লিবদু লাল্লি। এমএনএশিংং অসি এনএসসিগী মীটিংশিংদা লাক্তুনা মখোয় মশানা প্রুফ য়েংজগদবনি। লৌতুনবা অদু লন্দনদা লৈবা নৱাজ সরিফকী এপার্টমেন্টদগী হৌরকখিবা অমসুং মফম অসিদা লোইশিনবা মাল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নৌহৌননা পল্লদুনা গভর্নমেন্টগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি লৈবাক্কী সোভরেন্টিগী ৱাফম লৈবনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অরোইবা মীকুপ ফাওবা ওপোজিসনগী থৌওংশিংং অসি থেংনগনি। লৈবাক অমদা নিংতম্বা ফোরেন পোলিসি অমা লৈরকপা মতমদা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নবা হায়বসি মদুগী মমল ওইবা য়াই।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙখিবা ইনর্জি মিনিষ্টর হামদ অজারা হায়খি, মদুদি ওপোজিসনগী খোঙথাংশিংং অসিনা মখোয়না চথুরিবদু লৌতুনবা অমনি হায়বসি প্রুফ তৌরে। ঐখোয়দা দোক্যুমেন্ট য়ৌরকখিবা মতমদা ওপোজিসন্না নো কনফিদেন্স মোসন পুথোকখিবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মদু শুপ্পগী দোক্যুমেন্ট অদুদা পনখি।

পাকিষ্টানদা লাক্কদবা মথংগী গভর্নমেন্ট তরেৎ মরুপ মপাং ওইবগী মরী থম্নবা য়াবা গভর্নমেন্ট অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না ফোরেন ফোর্স অদুনা থাজে হায়নসু হামদনা ফোঙদোকখি।

# অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্সকা মরী লৈননা দোল্লর বিলিয়ন ২.৪৪ পীরগনি: দোন্নরশিংং



য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টান অমসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্সকা মরী লৈননা দোন্নর ৪১ না দোল্লর বিলিয়ন ২.৪৪ হেন্না পীরগনি হায়না থাজবা পীরে হায়না য়ুএনগী টোপ ওফিসিএল অমনা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি-জেনরেল ৪ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ার্স জোইস মসুয়ানা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, শেনফমশিংং অদু দোন্নরশিংং অসিনা পুকচেল চাওনা অমসুং খ্বাইদগী থুনা পীরক্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা কুমজা ২০২২ দা অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্স প্লানগা মরী লৈননা শীজিন্ননবা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৪ দোনেসন তৌরক্নবা আপিল তৌখিবদু হৌজিক মদুগী চাদ ৫০ হেন্না ফন্দিং তৌরে হায়না লৌবা য়ারগনি।

দোন্নরশিংগী কনফরেন্স অদুগী মমাঙদা য়ুএনগী কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফেয়ার্স (ওসিঐচএ) গী ওফিসনা হায়খি, মদুদি অফঘানিষ্টানগী প্লান ফন্দিংগী চাং চাদ ১৩ য়ৌদে। শগোলশেল নুমিত্তা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী চাওবা দোন্নর অদু য়ুএস ওইখি। লৈবাক অসিনা অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্সকা মরী লৈননা দোল্লর মিলিয়ন ৫১২ পীরগনি হায়না লাউথোকখি। য়ুএসকী মতুংদা অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্সকা মরী লৈননা তেঙবাংগী শেনফম লাউথোকখিবদা শেনফম খ্বাইদগী চাওখিবা অতৈ লৈবাকশিংদি য়ুকে (দোল্লর মিলিয়ন ৩৭৪), জর্মনি (দোল্লর মিলিয়ন ১৯) অমসুং চাইনা (দোল্লর মিলিয়ন ২০০) নি।

দোন্নরশিংনা শগোলশেল নুমিৎকী কনফরেন্সতা পীখিবা কম্মিটমেন্টশিংদগী হেল্লক্কনি অমসুং মখোয়না মখা তানা অফঘানিষ্টানগী হ্যুমেনিটরিয়ান রেস্পোন্স সপোর্ট তৌখিগনি হায়বগী থাজবা মসুয়ানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা য়ুএন সেন্ট্রল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স ফন্দ অমসুং মালেমগী ক্রাইসিস থোক্লিবা মফম কয়াগী মীওইগী মিলিয়ন কয়াগী দোন্নরশিংগী শেনফমশিংং ঙাইনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী টোপ ওফিসিএলশিংং রসিয়াদা চঙবা থিংখ্রে



মোস্কো, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): মোস্কোনা য়ুক্রেনদা হৌজিক চথুরিবা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসনগা মরী লৈননা ব্রসেলসনা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) গী টোপ লিদরশিংং রসিয়াদা চঙবা থিংলে হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, অথিংবশিংং অদু য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নার কয়া, ইয়ু মিলিটরি ষ্ট্রকচরশিংগী হেদশিংং অমসুং এন্টি-রসিয়ন পোলিসিশিংং প্রমোট তৌরিবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট লোমেক্কর অয়াম্বদা এপ্লাই চৎনগনি।

ব্লেকলিষ্ট অদুদা ইয়ু মেম্বর ষ্টেট খরগী পার্লিয়ামেন্টশিংং অমদি গভর্নমেন্টশিংগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংং, পব্লিক ফিগরশিংং অমসুং মিদিয়া ৱার্করশিংসু য়াওগনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়াদা চঙলকপদা অথিংবা থল্লিবদুগী মতাংদা মোস্কোদা লৈবা য়ু দেলিগেসনদা খঙহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং মিনিষ্ট্রি অসিনা অথিংবা থল্লিবশিংং অদুগী লিষ্টতি ফোঙখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, ইয়ুনা রসিয়াগী মায়োক্তা তাথিবগী খোঙথাংশিংং লৌখৎলকপা মতমদা মসিগী মেম্বর ষ্টেটশিংনা অকনবা রেস্পোন্স শোয়দনা ফঙগনি হায়বসি ঐখোয়না নৌহৌননা খঙহল্লি।

ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবগী পাউখুম ওইনা ইয়ুনা মোস্কোগী মায়োক্তা অথিংবশিংং লেপ্তুনা লাউথোকখিবনি। ইয়ুনা অথিংবশিংগী লিষ্ট অদুদা মশিং য়াম্লবা রসিয়ন ইন্দিভিজুএলশিংং অমসুং এন্টিটিশিংং হাপচিনখি অমসুং রসিয়াগী শেল থুমগী বেজ শোন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মমাঙদা অমুক্তা লৌখৎখিদ্রিবা থৌরাংশিংং লাউথোকখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংং অসিগী অথিংবশিংং অসিনা মরম ওইদুনা রসিয়ানা মরু ওইবা টেক্নোলোজিশিংং অমদি মালেমগী মরু ওইবা মার্কেটশিংং শীজিন্নবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী লান তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটিসু হন্থরক্লগনি।

চৈরকসিদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা এপ্রিল অমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পিছ টোল্ক মখা চথরকখ্রে হায়না রসিয়ন নিগোসেটর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে। ভিদিও কনফরেন্স অদুদা চথুরিবা পিছ টোল্ককী খ্বাইদগী নৌবা রাউন্দ অদু মরু ওইনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইষ্টানবুলদা মায় মায় ওনশিন্নদুনা পাঙথোকখিবা মীটিংদা য়ুক্রেনিয়ন দেলিগেসন্না পুথোকখিবা পিছ ফ্রেম ৱার্ককী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সনা নোংচুপ থংবা রসিয়াদা লৈবা ফ্যুএল দিপো অমদা ইয়র ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুনা তুংদা পিছ টোল্কশিংং চথরকপদা অকায়বা লাকহনগনি হায়না ক্রেমলিননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুক্রেনগী হেলিকোপ্টরশিংনা রসিয়াগী নোংচুপ থংবা টাউন বেলবোরোদতা লৈবা ফ্যুএল ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরক্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা লোকেল গভর্নরনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা ইন্দিয়ানা মোস্কোদগী মখা তানা থাউ লৈনবা ৱারেপ লৌখিবদু মখোয়না ইকায় খুম্নে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৃটেননা ফোঙদোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং অসুম্না অতোপ্পা লৈবাক অমদা লান্দারিবা রসিয়াদগী হাথু হাথু থাউ লৈবসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে হায়না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখি।

# পেলেষ্টিনিয়নশিংনা এটেক্ট কয়া লেপ্তুনা চথরকপদগী ইজরেলদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে



টেল অভিব, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): ইজরেলদা পেলেষ্টিনিয়নশিংনা হন্দক্তা শাথিরবা এটেক্ট কয়া লেপ্তুনা চথরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ইজরেল্লি মিলিটরিনা অৱাং থংবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা জেনিন রিফ্যুজি কেম্পতা রেইদ চথখিবদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ন ২ শিখি অমসুং অতৈ ১৫ না অশোক অপন নঙখি।

মিলিটরি ওপরেসন অদুগী মনুংদা পেলেষ্টিনিয়ন গনমেনশিংনা ট্রুপশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ট্রুপশিংনসু খুৎ হনখি। ওপরেসন অদুগী পান্দমদি সস্পেক্টশিংং ফাবনি হায়না ইজরেল্লি মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

রেইদ অদুগী পাউখুম ওইনা পেলেষ্টিনিয়ন আর্মর্দ গ্রুপ অমা ওইরিবা ইস্লামিক জিহাদনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা মসিগী ফাইটরশিংং মোবিলাইজ তৌনবা আপিল তৌখি।

শগোলশেল নুমিত্তা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী বেটেলেম সিটিদা লৈবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অমনা বস তোংবা ইজরেল্লি অমদা থাঙনা থিনখি। পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অদু পেসেঞ্জর অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

থাঙনা থিনবদা শোক্লবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা নুপা অদু অরুবা ফিভম লৈরি হায়না মহাকপু ট্রিটমেন্ট তৌরিবা অদুনা ফোঙদোরকখি।

জেনিন সিটিগী নক্নবা য়াদভাদ ভিলেজদগী পেলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমনা টেল অভিবকী মফম অমদা নোংমৈ কাপখিবদা মীওই মঙা শিখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা খ্বাইদগী নৌবা ভাইওলেন্স অসি থোকখিবনি। য়াবাদকী এটেক্কর অদু পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখি।

থাংজ নুমিৎকী অহিংদা সেন্ট্রেল সিটি হাদেরাদা ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপকী সিম্পেথাইজর অনীনা নোংমৈ কাপ্পদা পুলিস ওফিসার অনী শিখি। এটেক্করশিংং অদু ইজরেলগী পেলেষ্টিনিয়ন সিটিজেনশিংনি।

হৌখিবা চয়োলদা আইএস সিম্পেথাইজর ওইবা ইজরেলগী বেদ্যুইন সিটিজেন অমনা সাউর্দন সিটি বির্সেবাদা কারনা থোম্বগা লোয়ননা থাঙনা থিনবগী এটেক্ট অমা চথখি। মদুদা মীওই মরিগী পুন্সি লোমখি।

ইজরেলনা আরব ফোরেন মিনিষ্টর মরি অমসুং য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকনগা লোয়ননা অহানবা কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক্টশিংং অদু চথরকখিবনি। কনফরেন্স অদু ইরানগী মায়োক্তা কোলিসন অমা শেমগৎনবা আরব লৈবাকশিংং, য়ুএস অমসুং ইজরেলগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

পেলেষ্টিনিয়নশিংনা পরিং নাইনা এটেক্ট কয়া চথরক্লিবদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেল্লি গভর্নমেন্টনা চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর নপাল্লি বেনেটনা কৌখিবা সেক্যুরিটি কেবিনেটকী মীফম অমদা গভর্নমেন্টনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং মফম অসিদা ইজরেলগা খাইদোক্নহল্লিবা ৱালগী মনাক্তা লৈবা এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্স হেন্না দিপ্লোই তৌনবা ৱারেপ লৌখি। কাউন্টর টেরর ওপরেসন কয়া পাঙথোকপা য়াওনা অহেনবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং কয়াসু লাউথোকখি।

# জপানদা এদল্টহুদকী লিগেলগী চহী হন্থহনখ্রে

টোকিও, এপ্রিল ১ (এজেন্সী): কুমজা ১৮৬৭ কী মতুংদা অহানবা ওইনা জপাননা ইরাই নুমিত্তা এদল্ট হুদকী লিগেল চহী ২০ দগী ১৮ দা হন্থহনখ্রে। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী চহী ১৮ শুরবা মীওইশিংনা মমা মপাশিংগী অয়াবা য়াওদ্রবসু ক্রেদিট কার্দশিংং অমসুং লোনশিংং এপ্লাই তৌবা য়ারগনি হায়রি।

জপানগী রিভাইস তৌরবা সিভিল কোর্ট ইরাই নুমিত্তগী চৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা অতৈ অনৌবা লোশিংদা নুপীশিংনা লুহোংবা য়াবগী লিগেল চহী অসি ১৬ তগী ১৮ দা হেনগৎহল্লে। য়ু থকপা, মৈখু শীজিন্নবা অমসুং গেমব্লিংগী মতাংদদি অসিগুম্বশিংদা পার্টিসিপেট তৌবা য়াবগী লিগেল চহী ২০ দা লেপখ্রে।

এদল্ট হুদকী লিগেল চহী হন্থহনবগী ৱারেপ অসি জপানদা অহল ওইরবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা অমদি লৈবাক অসিগী মীশিংং হন্থরকপদগী লৌখিবনি। মসিনা লৈবাক অসিগী সোসিএল ৱেলফ্যেরগী থৌরাংশিংদা চাদিং হেন্না মথৌ তারকপগা লোয়ননা লৈবাক্কী ৱার্ক ফোর্সসু হন্থহনখি।

জপানিজ গভর্নমেন্টনা থাজরিবদি এদল্টহুদকী লিগেল চহী হন্থহনবা অসিনা চহী ১৮ অমসুং ১৯ শুরবা মীওইশিংবু থবক শুবদা পুক্নিং থৌগৎলগনি অমসুং মখোয় লৈবাক অসিগী লেবর ফোর্সকী শরুক অমা ওইরগনি হায়বসিনি।

তোঙান তোঙানবা খোঙথাং অমদা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী এমেন্দ তৌরবা জুবেনাইল এক্টসু চৎনবা হৌখ্রে।

এমেন্দ তৌরবা এক্ট অসিগী মতুং ইন্না চহী ১৮ অমসুং ১৯ গী ওফেন্দরশিংং জুবেনাইল এক্টকী মখাদা মখা তানা প্রোটেক্সন ফঙখিগনি অমসুং মখোয়দা ক্রিমিনেল লোশিংং এপ্লাই তৌরোই।

অদুম ওইনমক এমেন্দ তৌরবা জুবেনাইল এক্টকী মখাদা মখোয় মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংং অমসুং চহী ১৭ অমদি মসিদগী হেন্না নহা ওইবশিংদগী তোঙান্না ট্রিট তৌগনি।

মমাঙগা মান্নদবা অমনা এমেন্ট তৌরবা জুবেনাইল এক্ট অদুনা মিদিয়া আউটলেটশিংবু কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীরবা ইন্দিভিজুএলশিংবু আইদেন্টিফাই তৌবা য়াহনগদবা মিংশিংং অমদি অতৈ ইনফোর্মেসন ফোঙবা য়াহল্লি।